### রোয়েল ৱাহিংদো মথং সিজনগী আই লিগকী ক্বালিফাইট ওইখ্রে

# ফোরেনগী কোচ নৎত্রবসু মণিপুরগী কোচনা আই লিগকী থাক্তা চংহনবা ঙম্বা টিম পুথোকপা ঙম্লে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ঃ* মেঘালয়া সিলোংগী ফুটবোল টিমগী ক্লব অমা ওইরিবা রোয়েল ৱাহিংদো মথংগী লাক্কদৌরিবা ২০১৪–১৫ গী সিজনগী আই লিগকী ক্বালিফাইদ ওইখ্রে।



ফোরেনগী কোচ নৎত্রবসু মণিপুরগী কোচনা আই লিগকী টিম পুথোকপা ঙম্লি। সেকেন্দ দিভিজন আই লিগতা চহি অসিগী ওইনা শরুক য়াখিবা মেঘালয়া সিলোংগী রোয়েল ৱাহিংদোগী টিম কোচ মণিপুরগী এ এফ সিগী এ লাইসেন্স হোল্ডর পায়রবা এল নন্দকুমারগী অচৌবা থৌদাংনা টিম অসিবু আই লিগকী ফাইনেল রাউন্দ চংহনবা ঙমখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। রোয়েল ৱাহিংদোগী টিমদা মণিপুরগী হৌখিবা মশক নাইরবা শান্নরোই ৯ শরুক য়াখি।

শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপরদা বিশ্বজিৎ, ঙৌবা, রেগান, সমানন্দদা, অশোক, শৈতাসেন, নবা, জেকিজান্দ অমদি রজন মীতৈ শরুক য়ারি। আই লিগ সেকেন্দ দিভিজন লিগ ২০১৪–১৫ দা টিম ১১ না গ্রুপ অনিদা শরুক য়াখি। হৌজিক ফাওবদা আই লিগতা নোর্থ ইষ্টকী ওইনা সিলোংগী টিম এফ সি লাজোং, রঙদাজেদ য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব অমদি সিকিম য়ুনাইটেদ শরুক য়াখ্রবনি অদুবু সিকি য়ুনাইটেদকী মমাংগী এদিসনদা রিলিগেদ তৌখ্রে। সিলোং লাজোং অমদি রঙদাজেদ য়ুনাইটেদ ক্লবতি হৌজিক হৌজিক চথরিবা আই লিগতা শরুক য়ারিবনি। নৌনা আই লিগকী ক্বালিফাইদ ওইখ্রবা রোয়েল ৱাহিংদোনা আই লিগতা শরুক য়াবা নোর্থ ইষ্টকী অহুমশুবা টিম ওইগদৌরি।

সেকেন্দ দিভিজন আই লিগকী ফাষ্ট লেগকী মেটচশিংনা সিলচরদা অমদি অনিশুবা লেগকী মেটচশিংনা মিজোরামদা শান্নখি। মদুদা রোয়েল ৱাহিংদোনা চেম্পিয়ন ওইরগা আই লিগকী ক্বালিফাইদ ওইখিবনি।

ফাষ্ট লেগকী শান্নখিবা মেটচশিংদা রোয়েল ৱাহিংদো য়ুনাইটেদ সিক্কিমগী মখুত্তা গোল ১–০ মায়থিখি। রোয়েল ৱাহিংদোগী অনিশুবা মেটচতা ভোৱানিপোরগা গোল চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

কালিগাদ মিলন সঙ্গাগা শান্নখিবা মেটচতসু রোয়েল ৱাহিংদো গোল ১–১ দা দ্রো ওইখি। অনিশুবা লেগকী শান্নখিবা রোয়েল ৱাহিংদোগী অহানবা মেটচতা হিন্দুষ্টান এফ সিগী মখুত্তা গোল ১–২ দা মায়থিবা পীখি। রোয়েল ৱাহিংদোগী অনিশুবা মেটচতা রোয়েল ৱাহিংদোনা মমাংগী এদিসনদা আই লিগতগী রিলিগেসন তৌরকখিবা য়ুনাইটেদ সিকিম এফ সি বু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা মায় পাক্লবগী লম্বী চংশিনবা হৌখি। অহুমশুবা মেটচতসু রোয়েল ৱাহিংদোনা কালিগাট মিলন সঙ্গাবু গোল ২–০ দা অমদি অরোয়বা শান্নখিবা মেটচতা রোয়েল ৱাহিংদোনা ভোবানিপোর এফ সিবু ৩–২ দা মায়থিবা পীরগা ২০১৪–১৫ সিজনগী আই লিগকী ক্বালিফাইদ ওইখিবনি। প্রিরিমিনরিগী রাউন্দগী মেটচশিংনা জরখনগী ধনবাদ অমদি সিকিমদা পাংথোকখি।

## অভিজিৎ গুপ্তা দুবাই ওপন চেছতা মরিশুবা তাহৌরে

*দুবাই, এপ্রিল ১৬ঃ* ফোর্মর ৱার্ল্ড জুনিয়ারগী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী চেছ শান্নরোই অভিজিৎ গুপ্তা দুবাই ইন্টর্নেসনেল ওপন চেছ টুর্নমেন্টতা পোইন্ট ৬.৫ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন তাহৌরে।


মহাক্না ফাইনেল রাউন্দদা ভোনিজোলাগী ইদৱাদো ইটুরিজাগী মখুত্তা মায়থিহৌদুনা মরিশুবা পোজিসন ফংহৌখিবনি। ফ্রাঞ্চকী রোমেন ইদোৱার্দনা টোপ সিদেটতা লৈরিবা য়ুক্রেনগী এন্টন কোরোভোবপু মায়থিবা পীরগা চেম্পিয়নসিপ অসিগী টাইটন লৌখি।

চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ফ্রেঞ্চকী গ্রান্দ মাষ্টর রোমেননা য়ু এস দোল্লর লিশিং ১০ গী মনা ফংখি। হন্দক্কী চেম্পিয়নসিপ অদুদা এন্টন কোরোভোবনা পোইন্ট ৬, রোমেন ইদোৱার্দনা পোইন্ট ৮, ভোনিজোলাগী ইদৱাদো ইটুরিজানা পোইন্ট ৭, অবিজিৎ গুপ্তনা পোইন্ট ৬.৫, কোর্সিয়াগী ষ্টেভিক রোবজেনা পোইন্ট ৬.৫, ইংলেণ্ডগী জোনসনা পোইন্ট ৬.৫, য়ুক্রেনগী য়ুরিক কুজুবৌনা পোইন্ট ৭, রসিয়াগী এলেক্সসন্দর রকমান্দোপনা পোইন্ট ৭, আই লেন্দগী ইব্রামহিন হামদ্দিননা পোইন্ট ৫.৫, কজকিষ্টানগী অনোর ইসমাগমবেটেভনা পোইন্ট ৫.৫, জাবেন এদ্রেসননা পোইন্ট ৬.৫, এম শ্যামসুন্দরনা পোইন্ট ৬, এম আর কেলকরনা পোইন্ট ৫, অশ্বন জয়ামনা পোইন্ট ৫.৫, মার্টিন লোকন্দরনা পোইন্ট ৪.৫, সয়েন্তন দাসনা পোইন্ট ৫.৫, হারসন সাহিনা পোইন্ট ৪.৫, ভি কার্টিক্কা পোইন্ট ৫, এস রবি টেজানা পোইন্ট ৫,



ললিটবাবুনা পোইন্ট ৬, ব্লাদিমির অকোপিয়ান পোইন্ট ৬, দেবসিসদাসনা পোইন্ট ৫, এক্সেন বেচমেননা পোইন্ট ৫.৫, স্বাবমিন দোপাদেনা পোইন্ট ৫.৫, জিও রহামননা পোইন্ট ৬, জি কৃষ্ণনা পোইন্ট ৫, দিপ্তায়ন গোষ্টনা পোইন্ট ৫, প্রিন্স বজাসনা পোইন্ট ৫, সহাস গ্রোভরনা পোইন্ট ৫, অভিসেক অহামদ হোল্লি অলি মাওরিয়ানা পোইন্ট ৪.৫, অনিরুধা দেসপান্দেনা পোইন্ট ৪.৫, ফেলিক্স তোমানিয়ননা পোইন্ট ৪ অমদি ইভানা মারিয়া বুটাদোনা পোইন্ট ৫ ফংখি।

ইন্দিয়ানগী অতোপ্পা শান্নরোই এম আর লালিতবাবু, এম শ্যামসুন্দরসু ফাইনেল রাউন্দ চংননবা হোৎনখি।




## তম্পাক্লে হোকিগী সেমী ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে



*জিরিবাম, এপ্রিল ১৬ঃ* জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা কোঞ্জেংবম ওংবী তম্পাক্লে মেমোরিয়েল য়ু ১৬ বোইজ হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৪গী রাউন্দ রোবিন লিগকী মেটচশিং ঙসি শান্নবা লোয়শিনখিবগা লোয়ননা সেমিফাইনেলগী লাইন অপ লোয়খ্রে। হয়েং সেমিফাইনেলগী মেটচশিং শান্নগনি।

অহানবা সেমিফাইনেল মেটচতা ইচেল ক্লব দিবোংগা এল ই সি বাবুপরাগা অমদি অনিশুবা সেমিফাইনেল মেটচতা কংলৈচা ক্লব গুলারথোরগা ই ৱাই সি চন্দ্রপুরগা শান্নগনি।

ঙসিগী শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ইচেল ক্লব দিবোং অমদি কংলৈচা ক্লব গুলারথোর গোল ১–১ দা দ্রো ওইখ্রে। ইচেল ক্লবকী গোল অদু দবলিয়ু সুর্জিৎনা ৯ শুবা মিনিটতা অদুগা কংলৈচা ক্লব গুলারথোরগী গোল অদুনা টি ঐচ থোইবা মৈতৈনা ৩৯ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনিশুবা শান্নখিবা মেটচতনা এল ই সি বাবুপরানা ঈ ৱাই সি চন্দ্রপুরবু গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পিখ্রে। এল ঈ সিগী গোলশিং অদু ৱাই জোনসননা ৬ অমদি ৪২ শুবা মিনিটতা অনি, সি ঐচ ভিক্টরনা ২৬ শুবা মিনিটতা অমা অমসুং এ রঞ্জননা ৩৫ অমদি ৩৮ শুবা মিনিটতা অনি চনখিবনি। ঈ ৱাই সিগী গোলশিং অদুনা গোগৌনা অনিশুবা মিনিট, অমদি জেনিতনা ৩৬ শুবা মিনিটতা অমা অমদি এ বিশ্বজিৎ সিংহনা ৪৯ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি। মেন ওফ দি মেটচনা এল ঈ সিগী ৱাই জোনসননা তাখি।

## সুপর কিংস সেমিফাইনেল চংগনি হায়বগী থাজবা লৈ ঃ ধোনি

*অবু দাবি, এপ্রিল ১৬ঃ* চেনাই সুপর কিংসকী কেপ্তেন ওইরিবা মহেন্দ্রাসিং ধোনিনা হন্দক্কী ৭ শুবা ইন্দিয়ান প্রিমিয়ার লিগ (আই পি এল) দা সেমিফাইনেলগী থাক ফাওবা চংবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা য়ু এ ঈ গী লৈহাওদা শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসিদা কমদৌনা মায়পাক্কদগে হায়বদু মহাক্কী টিম মেটশিংগা তান্নরগা হোৎনগনি। ধোনিনা লুচিংবা টিম অসিদা হন্দক্তা ধকাদা পাংথোকখিবা এসিয়া কপ অমনি ন্যু জিলেন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবা শান্নরোই কয়া য়াওরি।

চেনাই সুপর কিংসকী অহানবা মেটচ ইরাই নুমিত্তা কিংস ১১ পঞ্জাবকা শান্নগনি। চেনাই সুপর কিংসকী টিম অসিদা রবিচন্দ্রা অসৱিন, রবিন্দ্রা জাদেজা, সুরেজ রাইনা, ৱেজ ইন্দিসগী দ্বানে ব্রাবো, ন্যু কেপ্তেন ব্রেন্দন মেক্কুম অমদি সাউথ অফ্রিকাগী ফালদু প্লেসিসনচিংবশিংসু য়াওরি। ইন্দিয়ান টিমগী কেপ্তেনসু ওইরিবা ধোনিগী টিম অসি ইং ২০০৮ তা পাংথোকখিবা আই পি এলদসু ফজবা পার্ফোমেন্স পিবা ঙমখ্রবনি।

## আই পি এলগী অহানবা মেটচতা কোলকট্টা রন ৪১ দা মায় পাকখ্রে

*অবু দাবি, এপ্রিল ১৬ঃ* ইন্দিয়ান প্রিমিয়ার লিগ ২০১৪ গী ঙসি অহানবা মেটচ ওইনা সেক জায়েদ ষ্টিদিয়ম অবু দাবিদা শান্নখিবা মেটচতা কোলকট্টা নাইট রাইদরসনা মুম্বাই ইন্দিয়ানসপু রন ৪১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদু কোলকট্টানা টোচ ঙম্লগা হান্না বেট্টিং তৌখিবদা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৬৩ লৌখি।

মুম্বাই ইন্দিয়ানসনা টার্গেট রন ১৬৪গী পাউখুম পীননবা অনিশুবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা অপিবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১২২ খক লৌবদগী রন ৪১ দা মায়থিখিবনি।

মুম্বাই ইন্দিয়নসনা ওভর ১৮.৩ ফাওবা মায়োক্লবদা রন ১১৩ লৌদুনা লৈখি। মতম অদুদা বাউন্দরি ৬ অমদি ওভর বাউন্দরি ২ য়াওখি। নীংশিংবা য়াবদি মুম্বাই ইন্দিয়নস অসি মমাংগী চেম্পিয়ন ওইরিবা টিম অমনি।







## EMPLOYMENT NEWS

### L.G. MOTORS

| Name of Post | Qualification | Age | Branch | No. of Post |
|---|---|---|---|---|
| 1. Asst. Manager Banking | BCom/MCom(Com.Know.) | 24 to 35 yrs | H.Q. | 1 |
| 2. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 24 to 30 yrs | Sekmai | 1 |
| 3. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Samurou | 2 |
| 4. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 5. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 6. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 7. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Pangei | 1 |
| 8. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds ) | 20 to 28 yrs | Sekmai | 1 |
| 9. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds ) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 10. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds ) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 11. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds ) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 12. Security(Unmarrid) | 10/10+2 | 18 to 25 yrs | H.Q. | 2 |
| 13. Driver (Unmarrid) | VIII Pass | 20 to 28 yrs | H.Q. | 1 |
| 14. Mechanic (2Wheeler) | VIII Pass | 20 to 30 yrs | H.Q. | 2 |
| 15. Grade 4 | VIII Pass | 28 to 40 yrs | H.Q. | 1 |
| 16. Recovery Officer | 10/10+2 | 20 to 28 yrs | H.Q. | 2 |
| 17. Computer Operater | Well experence in DTP | 20 to 30 yrs | H.Q. | 1 |

**N.B. :** Post খুদিংমক ওফিসশিং অসিগা নক্লবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংনা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি।Post অসিবু পাম্বীবা মীওইশিংনা Bio-Data, Contact No., Qualification Certificate অমসুং Experience শিং লোয়নবীরক্কদবনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক হেদ ওফিস্তা লাকপীরগা খংবীবা য়াগনি।

*Sd/- Manager*
**L.G.. MOTORS**
Khagempalli Huidrom Leikai (H.Q)
Near Yumjao Lairembi Maning, Imphal West, Manipur

*Office Hour : 9.00 a.m. to 4 p.m.*
*Sunday / Gen. Holiday Will be Closed*

Branches at : Thoubal Near Okram Lamkhai, Bishnupur, Samurou Bazar Opp. PHC, Patsoi Opp. Patsoi Police Station, Lamlai Opp.Lamlai PS, Pangei Opp. 1st Gate M.P.T.C. and Sekmai Koujengleima, Kakching Opp. Kakching Fire Service

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*